**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 11-04-2026)**

**নরসিংহ (এল)ঃ** মহারাজ নরসিংহগী ১৭৬ শুবা লৈখিদবগী নুমিৎ কুওমনদা ঙসি মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা লুচিংদুনা মহাক্কী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখ্রে।

ইম্ফালগী ঐতিহাসিক ওইরবা কংলাদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা নুংজেং পুখ্রিদা মহারাজ নরসিংহগী মফমদা তর্পনসু কৎখি। শ্রী খেমচান্দনা মহারাজ নরসিংহগী সমাধিদা রাজ্য অসিদা শান্তি অমসুং নুংশি চান্নবা ফিভম হনজিল্লকবসু থৌনিজখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রিনা শান্তি লৈবা অমদি নুংশি চান্নবা মনিপুর অমা ওইহন্নবা আপিল তৌরি। মহাকা হায়-
চহি তরেৎ খুন্তাকপা মতমদা মহারাজ নরসিংহনা কছারদা চৎখি অমসুং লমদম অসোমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা মনিপুরিশিংবু অমত্তা ওইনা পুনশিলহনখি। মহাকা হায়-মহারাজ নরসিংহনা বৃটিশকী মতেংগা লোয়ননা মনিপুর লেভি শেমদুনা বরমিজশিংসু মনিপুরদগী তান্থোকখি অমসুং নীংতম্বা মনিপুর অমা অমুক হন্না শেমগৎখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা রাজ্যগী আর্ট এন্দ কলচর মন্ত্রি-খুরাইজম লোকেন সিংহনা হায়-ঐখোয় অসি থৌনা ফরবা ইপা-ইপুশিং অদুগী মচা-মশুশিংনি অমসুং মখোয়না মনিপুরগীদমক কৎথোকখিবা কয়া অদু কাউথোকপা তৌরোইদবনি। মখোয়গী থৌনা লিংজেল অদুবু তুংগী মীরোলনা মতম চুপ্পদা নীংশিংগদবনি হায়নসু মহাকা মখা তাখি।

রাজ্যগী আর্ট এন্দ কলচর বিভাগকী মনিপুর ষ্টেট আকিওলোজিনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা-গৃহ মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজম, রাজ্য সভা

সদস্য-মহারাজ লৈশেম্বা সনাজাউবা, এম.এল.এশিং, চীফ সেক্রেটরি অমদি সিভিল অমদি পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসিএল কয়াসু শরুক য়াখি।

**ক্ষেতিপুরোন(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা ঙসি ইম্ফালগী অকাম্পাৎতা লৈবা রিলিফ কেম্পতা লৈরন্বী লৈখিদ্রবা নুপীমচা অদুগী ইমুং মনুংদা লুপা লাখ তরাগী ক্ষেতিপুরোন পীখ্রে।

মুখ্য মন্ত্রিনা রিলিফ কেম্প অদুদা লৈরিবা নুপীমচা অদুগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংগসু উন্নখি অমসুং থৌদোক অদুগীদমক থম্মোয় শোকা নুংঙাইতবা ফোংদোকখি। সরকারগী মায়কৈদগী অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্দুনা পীবা য়াবা মতেং খুদিংমক পীগনি হায়বগী থাজবসু মুখ্য মন্ত্রিনা পীখি।

থৌরমদুদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-ডা: নিবেদিতা লাইরেনলাকপমসু য়াওখি।

**চাইল্ড (এল)ঃ** মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসকী চেয়ারপার্সন-কৈশাম প্রদিপকুমারনা থোকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না সোসিয়েল মিদিয়া অমদি দিজিতেল মিদিয়া প্লেটফোর্মশিংদা ত্রোংলাউবী অমসুং অকামপাৎ রিলিফ কেম্পতগী অঙাং অহুম লৈখিদবগী ফোটো অমদি ভিদিওশিং অথুবা মতমদা লৌথোকবা খঙহল্লক্লি।

প্রোটেক্সন চাইল্ড ফ্রোম সেক্সুয়েল ওফেন্স এক্ট ২০১২ সেক্সন ২৩ গী মখাদা ভিক্তিম ওইরিবা অঙাংশিংগী মশক মমিং মীয়ামদা তাকথোকপা য়াদে। মসিগী মতুংইন্না আইনগী ওইবা চৈরাক ফংগনি। জ্বেনাইল জষ্টিস (কেয়ার এন্দ প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন) এক্ট ২০১৫ গী মতুংইন্না অঙাংশিংগী প্রাইভেসি ঙাক্কদবনি। মরী লৈনবা মীওইশিংনা আইনগী থবক লৌখৎপীদুনা অঙাংশিংবু ইকায় খুমদবা মীওইশিং আইনগী ওইবা থবক লৌখৎনবসু কম্মিসন অসিনা হায়রি।

**খোঙজং (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী ত্রোংলাউবীদা হন্দক অঙাং অনি অমসুং মীওই অহুম হাৎখিবগী থৌদোক অদুবু মায়কৈ কয়াদগী মখা তানা য়ানিংদবা ফোংদোকরক্লি।

থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোকপা ওইনা ইম্ফালগী লমফেল এরিয়াদা লৈবা মীতৈ, তাংখুল, কবুই, কোম, কোইরেং অমসুং অনাল ফুরুপকী মীয়ামনা অমত্তা ওইনা পুন্দুনা লমফেল সনা কৈথেলদা ৱাকৎ মীফম চথখি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী নিংথৌখোংদসু মফম অদুদা খুন্দারিবা কবুই ফুরুপশিংনা ত্রোংলাউবীগী থৌদোক য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ৱাকৎ মীফম চথখি। ৱাকৎ মীফম অসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী শওম্বুং গেট, উরুপ অমসুং লিলোং অরাপতি য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু চথখি।

**কার্ফিয়ু(এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাদা হয়েং অয়ুক পুং ৫ দগী নুংথিল পুং ৩ ফাওবা করফিউ কোমথোক্কনি।

মসিগী মতাংদা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা চেরোলশিং থোকখ্রে।

**নোং (এল)ঃ** ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট, ইম্ফাল সেন্টরনা হায়রি-রাজ্য অসিগী জিলা খরদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা অখাক অরাও য়াওনা নোং চুরবা য়াই।

ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, জিরিবাম, বিষ্ণুপুর, ককচিং, চুরাচান্দপুর, ফেরজোল, কাংপোকপী জিলাশিংদা ঙসি অমসুং হয়েং অখাক অরাও য়াওনা নোং চুরবা য়াই হায়রি।

**তমেংলোং (এল)ঃ** তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরদা লৈবা জেট.ই.এফ. হোলদা ঙসি তমেংলোং জিলাগী ওইনা পোসন পখৱারা ২০২৬ কী ৮ শুবা এদিসন হৌদোকখ্রে।

এদিসন অসিগী হীরমনা- 'মেক্সিমাইজিং ব্রেন দিবলপমেন্ট ইন দা ফার্স্ট সিক্স ইয়ারস ওফ লাইফ' হায়বসিনি। আই.সি.দি.এস. তমেংলোং অমসুং আই.সি.দি.এস. প্রোজেক্ট-তমেংলোংনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগা খুৎশমনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা তমেংলোং জিলাগী এ.দি.সি-এ.দি.এম. চুংলেংমাং কিপগেননা হায়-লৈবাক অসিগী ওইনা মীওই মিল্লিয়ন কয়াদা মাল ন্যুত্রিসন অসি সাইলেন ক্রাইসিষ্ট অমা ওইরি। মসিনা মীওই অমখক্তদা নত্তনা লৈবাক অসিগী তুংগী মীরোল খুদিংমক্তা শোকহল্লি। অসিগুম্বা ফিভম অসি খঙনা মসি লৈহন্দনবা থবক পায়খৎপগী তঙাইফদবা লৈবনা ইং ২০১৮ গী মার্চ ৮ দা সরকারনা পোসন অভিয়ান অসি নুপীশিং অমসুং অঙাংশিংগী হকশেলগী ফিভম হেন্না ফগৎহন্নবা পান্দম থমদুনা ফ্লেগসিপ প্রোগ্রাম অমা ওইনা হৌদোকখিবনি।

**অহোংয়ুম (এল)ঃ** কাংপোকপী জিলাগী পোংগ্রীংলোং থিংলুং চিংকাউ পার্ট ৱানদা তরেংকাই (হাউস ওফ মেরিট-অহোংয়ুম) শেমখিবগী ৭৩ শুবা থৌরম পাঙথোকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংগী লুচিংবশিং য়াওনা খুঞ্জাশিংনা শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা নীংশিং য়ুম্বী অমসু য়ুংখি অমদি থৌরম অদুদা শরুক য়ারিবশিংদা তরেংকাইগী ত্রেদিসনেল কন্সত্রক্সন মেথোদোলোজি হায়না মিংথোনবা বুকলেটসু শরুক য়ারিবশিংদা য়েন্থোকখি।

**সেনাপতি (এল)ঃ** মাও ভিলেজগী নুপীশিং অমত্তা ওইনা পুনশিনবা অমসুং ফুরুপকী ওইবা ঙল্লিঙৈদগী চৎনরক্লবা চৎন-লোনচৎ অমদি হেরিটেজশিং ডৎপা থৌরম অমা ঙসি সেনাপতি জিলাগী আসুফি ফুটবোল গ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু মাও নাগা ৱিমেন এসোসিয়েসননা শিনদুনা পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অদুদা মাও ফুরুপকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী ৱিমেন সোসাইতি য়ুনিট ৩২ রোম শরুক য়াখি। থৌরম অদু অরিবা মতমগী চৎনবীশিং

য়োকখৎতুনা হিংহনবা অমদি হৌরক্লিবা নহাশিংদা খঙহন্নবা পান্দমদা পাঙথোকপনি।

থৌরমদুদা উপ মুখ্য মন্ত্রি-লোশি দিখো, মনিপুর সরকারগী জোইন্ট সেক্রেটরি-কোসোনি ফিমুনা মথংশিৎনা অথোইবা মীথুংলেন অমসুং অথোইবা লেংবীরকপা ওইনা শরুক য়াখি।

**কেম্প (এল)ঃ** দিবাইন্দ মারসি হেলথ সাভির্সেসনা শিনদুনা তমেংলোং জিলাগী কাউন্সিল কোলোনিদা নোংমগী ওইবা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল তমেংলোংগী স্পিসিয়েলিষ্ট ডাক্তর অহুম শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা কেম্প অদ্দা পুন্না মীওই ২০০ রোম হকচাংগী অনাবশিং য়েংখি অমদি লেমা হিদাক লাংথকশিং য়েন্থোকখি।

**মোদিঃ** বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-রিফ্যুজিশিংদা মপুং ফাবা সংবিধানগী হকশিং ফংহনগনি অদুগা নারোন্দা চংল্লকপশিংদি লৈবাক অসিদগী তানথোকখিগনি।

নোংচুপ বঙ্গলাগী কাতুৱাদা ঙসি পাঙথোকখিবা মীয়ামগী রেল্লি অমদা শ্রী মোদিনা হায়-রাজ্য অদুদা বি.জে.পিনা সরকার শেল্লবদি লৈবাক অসিগী নাগরিক অমা ওইবগী দরকার লৈবশিং অদু মপুং ফানা য়াওরবা এপ্লিকান্ট খুদিংমক্তা সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট এক্টকী মখাদা লৈবাক অসিগী নাগরিক অমা ওইহন্নবগী থৌরাং হেন্না খুমাং য়াংশিলহনগনি।

রাজ্য অদুগী সরকার পায়রিবা ত্রিনামুল কংগ্রেসপু কন্না হুল্লদুনা শ্রী মোদিনা দল অদুগী চহি ১৫ গী সাসননা মীয়ামদা অকিবা পোকহনবা নত্তনা অতৈ করিসু ফংহনবা ঙমদ্রে। মহাকা হায়-রাজ্য অদুগী রাজনিতিগী হিংশাগী থৌওংদা চেন্নবশিংগী মথক্তা বি.জে.পিনা অকনবা থবক লৌখৎকনি। মহাকা হায়-রাজ্য

অদুদা নারোলদা চংল্লকপশিং লৈবাক অসি থাদোক্তুনা চৎহনখিগনি। নারোলদা চংল্লকপশিংদা মতেং পাংবশিং অদুবুসু লেমা থারোই।

বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমসুং কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহসু রাজ্য অদুগী ওন্দাদা পাঙথোকপা মীয়ামগী রেল্লি অমদা ৱা ঙাংখি। মহাকা হায়-নোংচুপ বঙ্গলাগী নহারোল কয়া অতে রাজ্যশিংদা নমদুনা চৎহনখিনবা ত্রিনামুল কংগ্রেসনা হোৎনরি অমসুং লৌমীশিংদা মখোয়গী পোৎথোক্কী চান্নবা মমল ফংহনদ্রে।

মরক অসিদা, ত্রিনামুল কংগ্রেসকী মকোক অমসুং নোংচুপ বঙ্গলাগী মুখ্য মন্ত্রি-মমতা বেনর্জিনা বি.জে.পিবু রাজ্য অদুগী বেঙ্গোলি লোল ঙাংবা মীওইশিংগী মথক্তা আইন কায়বা মওংদা এট্টেক চথৈ হায়না মরাল শিরি। বেঙ্গোলবু মচেৎ তাহন্নবা লৌতুনৈ হায়দুনসু মহাকা বি.জে.পিদা মরাল শিরি।

**টৌঙ্কঃ** নোংচুপ এসিয়াদা তুং কোইবা মওংদা শান্তি লৈহন্নবগী মতাংদা আমেরিকা অমসুং ইরানগী অৱাংবা থাক্কী মীহুৎশিংনা পাকিস্থানগী ইস্লামবাদতা ৱারী শান্নখ্রে।

ৱারী শান্নবা অদুদা আমেরিকাগী মায়কৈদা উপ রাস্ত্রপতি-জে.দি. ভেন্সনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমা শরুক য়াখি। মীহুৎ কাংবু অদুদা স্পিসিএল ইনভোই ষ্টেব ৱিটকোফ অমসুং এদভাইজর জরেদ কুসনরনচিংবা য়াওরি।

পাকিস্তান পাংলমদাইদা শ্রী ভেন্সনা হায়-ৱারী শান্নবা অদুগী কান্নবা ফল ফংবা ঙমগনি। মহাকা হায়-ইরাননা ফজবা মওংদা ৱারী শান্নবা য়ারবদি আমেরিকানসু মদুদা মতেং পাংনবা শেম শাদুনা লৈ।

ৱারী শান্নবা অদুদা ইরানগী মীহুৎ ওইনা পার্লিয়মেন্টকী স্পিকচর-মহামদ বগর ঘালিবাথ য়াওরি। সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা শ্রী ঘালিবাথনা হায়-ৱারী শান্নবা হৌদ্রিঙৈ মমাংদা রেবানন্দদা সিজ ফয়ার চৎনহনবা অমসুং ইরানগী পোৎলমশিংদা থিংজিন্দুনা থল্লিবদু লৌথোকপা য়াওনা মখোয়না

য়ান্নখিবা ৱাফম অনি হৌজিক ফাওবা থবক্তা ওন্থোকপা লৈত্রি।

মহাকা হায়-ৱারী শান্নবা হৌদ্রিঙৈদা ৱাফম অনি অদু হান্না থবক্তা ওন্থোক্কদবনি। ৱারী শান্নবা অদুদা ইরানগী ন্যুক্লিয়ার এনরিসমেন্ট প্রোগ্রাম, বেলেষ্টিক মীসাইল দিবলপমেন্ট অমসুং ষ্ট্রেট ওফ হোরমুজনচিংবা লমশিংদা মপুং ওইনা খন্নরবা য়াই।

**ভিজিতঃ** অসাম, কেরলম অমসুং পুদুচেরিগী বিধান সভা মীখলগী থৌওং অদুবু মালেমগী লৈবাক ২২ গী মীহুৎ কাংবুশিংনা থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা শিনদুনা পাঙথোকপা ইন্টরনেসনেল ইলেক্সন ভিজিতরস প্রোগ্রাম-২০২৬ কী শরুক অমা ওইনা পুন্না মীহুৎ ৩৮ না নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা ভারত্তা লাকখি।

চেরোল অমদা কম্মিসননা হায়-ভোট থাদবগী থৌওং অমসুং চাং ৱাংনা ভোটরশিংনা ভোট থাদনখিবা অদুনা মীহুৎ কাংবুশিং অদুগী পুকিং মপুং ফানা চিংশিনবা ঙমখি। অসিগুম্বা থৌওং অসিবু য়েংবা ফংহনবগীদমক মখোয়না কম্মিসনবু থাগৎপা ফোংদোকখি। ক্রোয়েসিয়াগী মীওই অমনা মীখলগী থৌওং অদুবু গনতন্ত্রগী কুম্ভে অমনি হায়খি। সাইরা লিয়োনেগী মীহুৎ অমনসু ই.ভি.এমশিং অদুবু থাগৎপা ফোংদোকখি।

**ত্রিপুরাঃ** ত্রিপুরা ত্রাইবেল এরিয়াজ ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী মীখলগী ভোট হয়েং থাদনগনি। ভোট থাদনবা অয়ুক পুং ৭ তগী হৌরগা নুংথিল পুং মরি ফাওবা চথগনি।

সিট ২৮ লৈবা দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল অসিগী মীখলগী ভোট থাদনবগীদমক পোল্লিং ষ্টেসন লিশিং ১,২৫৭ হাংদোক্লে। ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিস্নার-অনুরাখ সেননা হায়-নিয়ম চুমা অমদি শান্তি ওইনা মীখল পাঙথোকবগীদমক মপুং ফানা শেম শারে। মীখল অসিগীদমক পুন্না মীরেপ ১৭৩ না লন্বা তৌনরি। ভোট মশিং

থা অসিগী ১৭ তা থিগনি।

**ক্রিকেটঃ** নুপামচাগী চহি ১৯ মখাগী মরিশুবা এন.ই. সি.বি.সি. ইন্টর ষ্টেট ফ্রেন্দসিপ কপকী ৱিন্নর মনিপুরনা ওইরে।

নোর্থ ইষ্ট নাগালেন্দ ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিনদুনা দিমাপুরদা লৈবা নাগালেন্দ ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী তরুক্তগী হৌদুনা ঙসি ফাওবা চত্থরকখিবা কপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা-মনিপুরনা মিজোরামবু রন-৭২ দা থোইখি।

**ফুটবোলঃ** মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা ১৬ শুবা অস্ফা সেনিয়ার ৱিমেন ফুটবোল লিগ, ইম্ফাল ইষ্টকী লমেলাং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসিএল তর্ব গ্রাউন্দদা থা অসিগী ২৯ দগী হৌরগনি।

ফুটবোল লিগ অসিদা শরুক য়ানিংবা টিমশিংনা থা অসিগী ২০ ফাওবদা এন্ত্রি ফোর্ম পীশিনবা য়াগনি। লিগ অসিদা ৱিন্নর ওইবা টিম অদুনা ইন্দিয়ান ৱিমেন্স লিগ টুরদা শরুক য়াগনি হায়না ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

**ফুটবোলঃ** ১০ শুবা এ.এফ.সি. অন্দর সভেন্টিন ৱিমেন্স কপ মথং থাগী মে অমদগী হৌরগনি। এসিয়ান ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা চিনানা য়ুম্লু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা কপ অসিগী গ্রুপ (এ) দা য়ুম্লু চিনা, ভিয়েটনাম অমদি ম্যান্মার, গ্রুপ (বি) দনা জপান, ইন্দিয়া, ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং লেবনন্দ অমসুং গ্রুপ (সি) দা নোর্থ কোরিয়া, সাউথ কোরিয়া, ফিলিপিন্স অমদি চাইনিজ তাইপৈ শরুক য়াগনি।

ভারতকী অহানবা মেটচ-ওষ্ট্রেলিয়াগা মথং থা মে অনিগী নুমিদাং পুং ৭ মখায়দা শান্নগনি। অনিশুবা লিগ মেটচনা মে মঙাগী নুমিদাং পুং ৭ মখায়দা

জপানগা শান্নগনি। ভারতকী অরোইবা লিগ মেটচ-মে ৮ গী নুংথিল পুং অহুম মখায়দা লেবনন্দগা শান্নগনি।

ভারতকী টিম অসিদা মনিপুরগী শান্নরোই-আলেনা সরাংথেম, জোয়সিনি হাওবম অমদি তানিয়ানা দিফেন্দর ওইনা, অলভা সেঞ্জম, জলান নোংথোম্বম অমসুং রেদিমা চিংখামযুমনা মিট ফিল্ডর ওইনা অমসুং ওলিবিয়া নিংথৌজমনা ফোরৱার্ড ওইনা শরুক য়াগনি।